# নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং অসামদগী গাড়ী অমত্তা মিজোরামদা চঙলক্ত্রি

আইজোল, জুলাই ৩১ (এজেন্সী): হৌখিবা জুলাই ২৬ তা মিজোরাম অমসুং অসাম ষ্টেট অনীগী মরক্তা লমগী ৱাহৌগা মরী লৈননা থোকখিবা উংখৎনবগী থৌদোক অমদা অসাম পুলিস পর্সনেল ৬ শিহনখ্রবা মতুং ঙসি ফাওবদা অসামদগী মিজোরামদা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি অমত্তা চঙলক্ত্রি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা কোলাসিবকী দিপ্যুটি কম্মিস্নর ঐচ লালথাংলিয়ানা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট অনীগী মরক্তা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা লমগী ৱাহৌগা মরী লৈননা উংখৎনবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং অসাম গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অদুগী মীওইশিং মিজোরামদা চত্তনবা খঙহনবা লৈখ্রে। অদুবু মিজোরামগী ওইনদি ষ্টেট অদুদা লৈরিবা মীওইশিংনা অমদি অসামদা চৎপদা অথিংবা থম্বা লৈত্রি অমদি নন লোকেল রেসিদেন্সশিংসু মনীং তম্না চৎপদা অয়াবা পীরি।

নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং অসামগী মীওইশিংনা মিজোরাম তম্না লাক্কদবা গাড়ীশিং লম্বীদা থিংজিন্দুনা থমখিবা অমদি পোৎ চৈ পুবা ত্রকশিংদা য়েখাই থিনগাইবা থোকহনবদা নত্তনা মিজোরাম য়ৌরক্কদবা রেলৱে ট্রেকশিং থুগাইবগী থৌদোকশিং চখুরি। হীরম অসিগী মতাংদা মিজোরাম গভর্ণমেন্টকী মায়কৈগী য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল পীশিন্দুনা খঙহনখ্রে। অসামনা ইকনমি ব্লোকেদ তৌখিবনা মরম ওইরগা মিজোরামগী মীয়াম্না শীজিন্নগদবা পোৎ চৈশিং য়ৌহল্লক্ত্রিবা অসিগী মতাংদসু য়েংশিন্নবা খঙহনখ্রে।



ইটিন কম্প্যুটরাইজ আই টেষ্টিং এন্দ আই ক্যের সেন্টর থৌবালনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মরক্তা ফ্রন্ট লাইন ৱারিয়র ওইনা থবক তৌরিবা পুলিস পর্সনেলশিংদা ফেস মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজর অমদি চান-থক্লবা ঙমজবা পোৎলমশিং মতেং পাংদুনা পুক্লিং থৌগৎখিবা

# অসাম অমসুং নাগালেন্দনা বোর্দরগী য়েৎনবা লোয়শিন্নবা এম ও য়ু খুৎয়েক পীনরগনি

গুৱাহাটি, জুলাই ৩১ (এজেন্সী): মতম শাংল্লক্লবা বোর্দরগী য়েৎনবা লোয়শিন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা অসাম অমসুং নাগালেন্দনা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) অমা খুৎয়েক পীনরগনি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ছোর্সশিংনা ফোঙদোরকপদা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অনীমক্না মতম শাংনা দিসোয় ভেলি এরিয়াগী মরিয়ানিদা য়েৎনদুনা লাকখিবা অদু লোয়শিন্নবগী ৱাফম খন্নরি। ইন্তর-ষ্টেট বোর্দরদা তুং কোয়না মরা তপ্না ফীভম লৈহন্নবা পার্টি অনীমক্না এম ও য়ু অমা খুৎয়েক পীন্ননবগী ৱাফম য়ানখ্রে। এম ও য়ু খুৎয়েক পীনবা অদুদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর রানুসপেগু অমসু চীফ সেক্রেটরি জিষ্ণুগা লোয়ননা অসাম রিপ্রাজেন্ট তৌগনি। পার্টি অনীনা অসাম-নাগালেন্দ বোর্দরগী দিসোয় ভেলি এরিয়াদা হৌজিক লৈরিবা ফীভম কায়হন্দনা থমগনি। চহী খরগী মমাংদা গোলাঘাট দিষ্ট্রিক্টকী ধানসিরি সব-দিভিজনদা থোকখিবা বোর্দরগী য়েৎনবগা মরী লৈনবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অমদা অসামগী মীওই ১৭ শিখিবনি। মমাংদা মরিয়ানিদগী কারকপা কোংগ্রেসকী এম এল এ রুপজ্যোটি কুরমি অসাম-নাগালেন্দ বোর্দর পরিংদা নাগালেন্দগী মায়কৈদগী মহাক্কী টিমদা নোংমৈ কাপশিল্লকপখিবদা শম্নাদা হিংহৌখি। নাগালেন্দগী মায়কৈদগী মীওই কয়া চঙশিল্লকপগী পাউ তাবদগী এম এল এ অসি মফমদুদা চঙশিন্দুনা য়েংনবা হোৎনখিবনি।


# আই পি এ সী টিমদা ত্রিপুরাগী কোর্টনা এন্টিসিপেটরি বেল পীখ্রে

অগরটালা, জুলাই ৩১ (এজেন্সী): ত্রিপুরা পুলিসনা ফাজিনখিবা ইন্দিয়ন পোলিটিকেল এক্সন কম্মিটি (আই পি এ সী) টিমগী মেম্বর ২২ দা অগরটালাদা লৈবা লোকেল কোর্টনা এন্টিসিপেটরি বেল পীখ্রে।

ৱেষ্ট ত্রিপুরা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স কোর্টনা শগোলশেন নুমিত্তা টিম অদুগী মেম্বরশিংদা কন্দিসন অমত্তা থমদবা এন্টিসিপেটরি বেল পীখিবনি। আই পি এ সী টিমগী কাউন্সেল পিজুস কান্টি বিস্বাসনা ফোঙদোরকপদা মখোয় ইলিগেল ওইবা মওংদা নুমিৎ হুমনি দিটেন তৌরবা মতুং মখোয়দা মরাল শীনিংঙাই ওইদবা ৱাফম খরদা য়ুম্ফম ওইহল্লগা মখোয়বু বুক তৌখি।

চৈরকসিদা তৃনামুল কোংগ্রেসকী সিনিয়র লিদর অমসুং পার্টিঅসিগী রাজ্য সভা লিদর দেরেক ওব্রেন শগোলশেন নুমিত্তা অগরটালাদা থুংখ্রে। অগরটালাদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা তৃনামুলগী লুচিংবা অসিনা হায়খি আই পি এ সী মেম্বরশিং অদু তৃনামুল কোংগ্রেসনা নেকখিবনি। মখোয় অগরটালাদা মথৌ পাঙথোক্লবগীদমক্তা লাকপনি। বি জে পিগী সেন্ত্রেল লিদরসিপকী ওর্দরদা আই পি এ সীগী মেম্বরশিং অদুবু অগরটালাদা ফাজিন্দুনা থল্লিবনি হায়না ওব্রেননা মরাল শীখি। ষ্টেট অসিগী পোলিটিকেল ফীভম য়েংশিন্নবা অমসুং ষ্টেট অসিদা তৃনামুল কোংগ্রেস অসি কন্দাই ফাওবা মীয়াম্না সপোর্ট তৌরকপা য়াবগে হায়বদু খঙদোক্লবগীদমক্তা টিম অদু অগরটালাদা লৈরকখিবনি। হৌখিবা নোংমাইজিংগী নুমিদাং ত্রিপুরা পুলিসনা মখোয়বু কোভিদকী কাঙলোনশিং পল্লদুনা হোটেল অমদা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থমখিবনি।

# CROSSWORD-3857



**ACROSS**

1 Genuine (4)
3 From the New World (8)
9 Unauthorised absence from school (7)
10 Courageous (5)
11 Grossly overweight (5)
12 Solution (6)
14 Horizontally (6)
16 Game bird (6)
19 Sum of money (6)
21 Licit (5)
24 Acknowledge, concede (5)
25 Make unclear (7)
26 Breed of terrier (8)
27 Apartment (4)

**DOWN**

1 Reasoning (8)
2 Sharp (5)
4 Distress signal (3,3)
5 Picture puzzle (5)
6 French castle (7)
7 Necessity (4)
8 Heavenly spirits (6)
13 Recklessly determined (4-4)
15 Countryside walker (7)
17 Enjoy to the full (6)
18 Leisurely walk (6)
20 Single (5)
22 Thin porridge (5)
23 Long story (4)

**Solution 3856**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| R | E | F | U | S | E | D | | G | R | I | E | F |
| E | | A | | C | | A | | U | | N | | A |
| C | A | I | R | O | | N | E | E | D | F | U | L |
| E | | N | | F | | G | | S | | R | | S |
| D | U | T | I | F | U | L | | S | C | O | R | E |
| E | | | | E | | E | | | | N | | |
| D | I | V | I | D | E | | B | A | T | T | E | R |
| | | E | | | | T | | B | | | | E |
| M | A | R | C | H | | R | I | D | D | L | E | S |
| A | | T | | O | | O | | O | | E | | P |
| S | T | I | R | R | U | P | | M | I | T | R | E |
| O | | G | | D | | I | | E | | H | | C |
| N | O | O | S | E | | C | O | N | N | E | C | T |

**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

# HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3656**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | 5 | 6 | | 3 |
| 5 | 4 | | 1 | 7 | | | | |
| | 9 | | 8 | | 2 | | | |
| 9 | 5 | 2 | | | | | | 4 |
| | | | | | | | | |
| 8 | | | | | | 2 | 1 | 6 |
| | | | 5 | | 6 | | 4 | |
| | | | | 1 | 4 | | 9 | 8 |
| 4 | | 5 | 2 | | | | | |

**Solution-3655**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 4 | 9 | 6 | 5 | 3 | 1 | 7 | 2 |
| 3 | 7 | 2 | 1 | 9 | 4 | 8 | 6 | 5 |
| 1 | 6 | 5 | 7 | 2 | 8 | 9 | 4 | 3 |
| 6 | 2 | 8 | 9 | 3 | 1 | 7 | 5 | 4 |
| 9 | 5 | 3 | 4 | 8 | 7 | 2 | 1 | 6 |
| 7 | 1 | 4 | 5 | 6 | 2 | 3 | 9 | 8 |
| 4 | 3 | 1 | 8 | 7 | 5 | 6 | 2 | 9 |
| 2 | 9 | 7 | 3 | 4 | 6 | 5 | 8 | 1 |
| 5 | 8 | 6 | 2 | 1 | 9 | 4 | 3 | 7 |

# EMPLOYMENT NEWS

HSL Recruitment 2021 Apply Online 53 Vacancies | hslvizag.in:
Hindustan Shipyard Limited (HSL), Visakhapatnam - 530005 is looking for dynamic and result oriented personnel for recruitment of following Manager level positions on contract basis / permanent absorption basis. The HSL Recruitment 2021 online registration process will be start from 23rd June 2021 and scheduled to end on 20th July 2021 / 10th August 2021 / 30th August 2021.
ADVT NO.HR/ES(O)/0102/01/2021
On Permanent Absorption Basis:
Name of the Post
No of Posts
General Manager (HR)
01
Additional General Manager (HR)
01
Deputy General Manager (Technical)
02
Deputy General Manager (Finance)
01
Senior Manager (Technical)
04
Manager (Technical)
07
Manager (Finance)
01
Deputy Manager (Finance)
01
On Fixed Term Contract Basis:
Name of the Post
No of Posts
Dy. Chief Project Officer (Infrastructure Augmentation) FTC
01
Dy. Chief Project Officer(SAP Basis Consultant with HANA) FTC
01
Project Manager (SAP ABAP developer on HANA) FTC
01
Dy. Project Officer (Hull) [Shipwright trade] FTC
06
Dy. Project Officer (Submarine Technical) FTC
14
Dy. Project Officer (IN Ships Technical) FTC
08
Consultants on fixed term contract basis:
Name of the Post
No of Post
Sr. Consultant (Technical)-Mumbai
01
Senior Consultant (Infra Augmentation)
01
Sr. Consultant (EKM Planning & Submarine Project Management)
01
Consultant (EKM Planning & Submarine Project Management)
01
Pay Scales:
E7: Rs. 1,00,000 -2,60,000/-
E6: Rs. 90,000 -2,40,000/-
E5: Rs. 80,000 -2,20,000/-
E4: Rs. 70,000 -2,00,000
E3: Rs. 60,000-1,80,000/-
E2: Rs.50,000-1,60,000/-
Educational Qualification and Experience:
DGM (VC-11184): Full time BE/ B.Tech with not less than 60% marks in Mechanical/ Ship Building / Electrical / Electronics. Minimum 15 years experience.
Manager (SAP IT Basis/ SAP ABAP Webdynpro): BE/B.Tech. in any discipline/ M.Sc.(IT/CS)/MCA with not less than 60% marks. Minimum 09 years experience.
Assistant Manager (Civil): Full-time degree in Civil/ Civil &Structural/ Structural Engineering discipline with not less than 60% marks. Minimum 02 years post qualification experience.
Assistant Manager (Safety): Full-time degree in any branch of Engineering and Diploma in Industrial Safety with not less than 60% marks. Minimum 02 years full time post qualification experience.
Assistant Manager (HR): Full time Graduate in any discipline with not less than 60% marks. Minimum 02 years post qualification experience.
Assistant Manager (Legal): Graduate with LLB or Degree in Law (5 years course). Minimum 02 years of post-qualification experience.
Assistant Manager (VC-11184): Full time BE/ B.Tech with not less than 60% marks in Mechanical/ Ship Building / Electrical / Electronics. Minimum 02 years experience.
Junior Manager (IPMS VC-1184): Degree / Diploma with not less than 50% marks in Mechanical/ Ship Building/ Electrical/ Electronics. Minimum 02 years experience.
Medical Officer: MBBS Degree and registered with Indian Medical Council. Minimum 02 years post qualification experience.
General Manager (HR): Full time Graduate in any discipline with not less than 60% marks with 02 years full time post graduate degree / diploma experience.
General Manager (Finance): Full time Graduate in any discipline with not less than 60% marks and Minimum 20 years post qualification experience.
Additional General Manager (HR): Full time Graduate in any discipline with not less than 60% marks and 02 years relevant experience.
Manager (Commercial): Full time Graduate with not less than 60% marks. Masters in Material Management (MMS) / MBA in Material management /OR/supply chain management with not less than 60% marks. Minimum 09 years post qualification experience.
Manager (Technical): Full time Engineering Graduate with not less than 60% marks in Mechanical/ Electrical/ Naval Architecture disciplines. At least 09 years post qualification experience.
Senior Consultants: Full time BE/ B.Tech in relevant with not less than 60% marks. Minimum 20 years post qualification experience.
Selection Process: Group Discussion and / or Interview.
Application Fee:
Rs.300/- for General / OBC category candidates.
No Registration fee for SC/ST/PH Candidates.
The Fee Payment should be made through online.
How to Apply: Eligible Interested candidates should be submitted online only @ www.hslvizag.in. The last date for registration of online applications is 20/07/2021 (For Permanent Posts)/ 10/08/2021 (For Fixed Term Contract basis FTC)/ 30/08/2021 (For Consultant on Fixed Term Contract basis)

Oil India Limited (OIL) invites online applications from eligible candidates for recruitment of Junior Assistant (Clerk-cum-Computer Operator) for fill up 120 vacancies at OIL,Field Headquarters, Duliajan. The last date for submission of online applications is 15th August 2021.
Name of Post
No of Vacancies
Junior Assistant (Clerk-cum-Computer Operator)
120
Age Limit: (As on 15/08/2021)
General - 18 to 30 years
SC / ST - 18 to 35 years
OBC (NCL) - 18 to 33 years
Pay Scale: Rs. 26,600 – 90,000/-
Educational Qualifications:
10+2 Passed in any stream from Government recognized board / university with 40% marks.
Diploma Certificate passed in Computer Application of minimum 06 months duration and should be fully conversant with MS Word, MS Excel,MS Power-point,etc.
Selection Process:
Computer Based Test (CBT)
Documents Verification
Pre-Employment Medical Examination
Application Fee:
200/- as online application fee exclusive of GST and payment gateway / bank charges.
No fee for SC/ ST/ EWS/ PwBD/ Ex-Servicemen candidates.
How to Apply: Eligible Interested candidates will have to apply online only @ Oil India Limited (oil-india.com). The last date for registration of online applications is 15/08/2021 up to 11:59 PM.

# ষণশা হেন্না চানবা আপীল তৌখ্রে

শিলোং, জুলাই ৩১ (এজেন্সী): মেঘলয়া গভর্ণমেন্টতা য়াওরিবা বি জে পি মিনিষ্টর সানবোর সুল্লাইনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা চিক্কন, মটন অমসুং ঙা য়াওনা অতে মিটকী মওংশিংদগী ষণশানা হেন্না য়াম্না চান্নবা আপীল তৌখি।

মিনষ্টর অসিনা হায়, দিমোক্রেটিক লৈবাক অমদা মীয়াম্না মখোয়গী অপাম্বশিং চাবদা অয়েৎ অপন লৈহল্লোইদবনি। ইরাই নুমিত্তা পাউমীশিংনা ৱা ঙাঙলদুনা সুল্লাইনা হায়খি মীয়াম্বু ষণশা হেন্না চানবা পুক্লিং থৌগৎপা অসিনা বি জে পিনা ষণ হাৎপা থিংগনি হায়বা ৱাখল্লোন অমা মীয়ামদা লৈনরিবা অসি কোকহনবা ঙমগনি।

এসেমব্লি মীখলদা অহুমলক হন্না মায় পাক্লবা লেজিসলেটর অসিনা হায়খি মদুদি অনৌবা কেটল প্রোটেক্সন বিলনা মেঘলয়াদা ষণ পুরকপদা অয়েৎ অপন লৈহন্দনবা মহাক্না অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মাগা ৱারী শান্নরগনি। বি জে পিগী লুচিংবা অসি হৌখিবা চয়োলদা কেবিনেট মিনিষ্টর অমা ওইনা ৱাশক লৌদুনা এনিমেল হজবেন্দরি মিনিষ্টর ওইরিবনি।

# মীফম পাঙথোক্লবা তকশিনখ্রে

ইটানগর, জুলাই ৩১ (এজেন্সী): মতম শাংলক্লবা অরুনাচল-অসাম বাউন্দরিগী য়েৎনবগী মতাংদা পার্টি খুদিংমক্কী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্লবা নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) গী ষ্টেট য়ুনিটনা মেঘলয়া গভর্ণমেন্টদা তকশিনখ্রে। মীদিয়াগী মীওইশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা ষ্টেট এন পি পিগী প্রসিদেন্ট মুৎচু মিথিনা ওল পার্টি মীফম অমা পাঙথোক্তুনা ষ্টেট অনীগী ঙমখৈগী য়েৎনবগা মরী লৈননা পার্টি খুদিংমক্কী মতশিং লৌরগা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎকদবনি।

# অসাম অমসুং নাগালেন্দ ষ্টেট অনীনা ঙমখৈ শরুক্তগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিং লৌথোকপদা য়ান্নখ্রে

গুৱাহাটি/দিমাপুর, জুলাই ৩১ (এজেন্সী): অসাম অমসুং নাগালেন্দগী মরক্তা ঙমখৈগা মরী লৈননা চৎয়েনবা কয়া লৈরিবা অদুগী মতাংদা কা হেন্না উংখৎনবা থোরক্ত্রিঙৈ মাংওইননা ষ্টেট অনীনা ঙমখৈগী শরুক্তা দিপ্লোয় তৌরিবা ষ্টেট সিক্যুরিটি ফোর্সশিং লৌথোকপদা য়ানখ্রে হায়না নাকল অনীগী ওইবা জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।



দিমাপুরদা ঙসি নাগালেন্দগী চীফ সেক্রেটরি জে অলাম অমসুং মহাক্না থাক মান্নবা অসামগী জিষ্টনু বরুৱানা অসামগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ডা. রানোস পেগু অমসুং নাগালেন্দগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই পেট্রোনগী মমাংদা সিক্যুরিটি লৌথোকপগী চেরোল অদু খুৎয়েক পীন্নখি।

অমরোমদা অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মানা ফোঙদোকখিবদা নাগালেন্দ অমসুং অসামগী মরক্তা ঙমখৈগা মরী লৈননা উংখৎনরিবশিং অদুগী ৱারোইশিন পুরক্লবা লৈবাক অনীগী চীফ সেক্রেটরিশিংনা পায়খৎলক্লিবা থবকশিং য়াম্না শিংথানিংঙাই ওই।

ষ্টেট অনীনা ঙমখৈগী মতাংদা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোকহল্লক্তনবগীদমক য়ান্না চেরোল অমা খুৎয়েক পীন্নখিবা অসি মীয়াম্নসু পুক্লিং থৌগৎফম থোকই। অসামনসু য়ুমথংনরিবা ষ্টেটশিংগা মতম পুম্বদা নুংশি চান্নবা লৈমিন্নবা পাম্মী। করিগুম্বা মতমদা ৱাখল খন্থবা ৱাৎপদগী পামদবা থৌদোকশিং হেক হেক থোক্লি। মসি মতুং তারকপদা থোক্তনবা মীয়াম্না হোৎনগদবনি। সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনসু য়ারিবমখৈ ঙমখৈগী শরুক্কা মরী লৈনবা ৱাফমশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা অমদি ৱাখল ফাথরগা থবক তৌগদবনি হায়রি।

KMS
KINDERGARTEN MONTESSORI SCHOOL
A co – educational English Medium Higher Secondary School, Affiliated to CBSE, New Delhi
ADMISSION OPEN
XI - SCIENCE & XI - ARTS
2021 – 22 SESSION
"E – Learning (online) is the only means of Teaching - Learning During Covid – 19"
60% & ABOVE GET FREE 4G TABLET FIRST 200 STUDENTS ONLY
❖Mode of Admission: FIRST COME FIRST SERVE
❖ Last date of Registration: 10th August 2021 at 4pm
For Registration Please Contact School Principal
CONTACT NO.: 9366412934/9366167165 (09:00 AM TO 03:00 PM)
Regd. Office: Sagolband Takyel Kolom Leikai, Imphal West 795113
HL-P/6377/1,3,5, & 7 Aug.
Sd/- Principal







